হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ২৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৬৯শুবা মশীং

# য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ

## সী এস ওশিংগা উননবা ৱাফম থমখিবসি ওফিসল ওইহন্নিংই

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ লাক্লিবা দিসেম্বর ২৭তা ইম্ফালদা লাক্কদৌরি। হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়না নিংবুং নিংবুং ঙাংনরকপা অদু দিসেম্বর ২৭তদি শুংশোয় শোয়দনা লাক্কদৌরি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি এন এস সী এন (আই এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগগী মরক্তা চহী কয়াগী মমাঙদগী চথুরক্লিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরক্লবগী মাঙওইননা মণিপুর লৈঙাক অমদি মীয়ামগী ইহুল করি লৈবগে হায়বদু খঙদোক্লবা খোঙচৎ ওইগদ্রা হায়বসি পুন্নমক্লা হংনরিবা ৱাফম অমনি। কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী থৌমীশিংগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনদুনা পিছ টোককী মতাংদা ৱারী শানখিবনি। উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জি কে রেদ্দি অমদি মতমদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বা টি ঐচ রাধেশ্যামসু শরুক য়াখিবনি। ৱারী শানবা অদুদা কোকোমিগী মায়কৈদগী এন এস সী এন (আই এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্ট্রকচরদা অকায়বা অমত্তা পীবা য়ারোই হায়বা ৱাফম থমখিবনি। লোয়ননা করিগুম্বা ৱারোইশিন পুরকপা অসিদা মণিপুর শোক্লকপা য়াবা ৱাফম য়াওরগদি মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিং মাঙজৌননা তান্নরমগনি হায়নসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরকখি হায়বা ৱাফম কোকোমিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমগী মনুংদা পুরক্লবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌরিবনি। নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি)কী মীহুৎশিংগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবদদি ৱারোইশিন পুরক্লবা খুৎয়েক পীনবদা মায়কৈ অনীনা য়ানদুনা লৈরবনি। অদুবু এন এস সী এন (আই এম) তোখায়বা ফ্লেগ অমসুং ফিরালগী দিমান্দদা য়ানদবা লৈবদগী ৱারোইশিন পুরকপগী মতম থেংথহনবগী মচাক অমসু ওইদুনা লাকখিবনি। চৈরক অসিদা য়ুনিয়ন হোম মিনষ্টিরনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নরমগদ্রা হায়বসিসু পুন্নমক্লা হংনরিবা ৱাহং অমনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ইম্ফালদা লাকপা মতমদা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও)শিংগা উননবা চিনহায় ওইনা হায়খ্রে। নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা প্রোব্লেম অমত্তা থোকহনবা পামদে। প্রোব্লেম অমা লোইশিনবদা অতোপ্পা প্রোব্লেম অমা থোকহনবা পামদে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে। কোকোমিগী মায়কৈদগীসু করিগুম্বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা উননবা হায়রক্লবদি উনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী স্পেসল ষ্টেটস তানবগী ৱাফমগা মরী লৈননা মীয়াম্না লৌবা ফিরেপসু খঙহনগনি হায়বা ৱাফম থমখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাক্কদৌরিবা সী এস ওশিংগা উননবা ৱাফম থমখিবা অসি ওফিসল ওইহন্নিংই। মদুনা পুন্নমক্কী অফবা ওইগনি খল্লি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### মত্ত্রবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা অচুম্বা (জষ্টিস) অমা ফংনবগীদমক্তা অফবা অমদি অচুম্বা পাম্বা মী খরা য়াম্না দরকার লৈ। অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টতা লুখোসৈ জৌদগী দ্রগ ফাবা অদুদা শরুক য়াখিবা মতম অদুগী পুলিস ওফিসরশিং অদুগুম্বা খরা থম্বীয়ু হায়জনীংই। অচুম্বা তৌবা মী মখৈ চৈরাক পীরবদি কনানা অচুম্বা তৌনীংগনি। মীয়াম্না পাম্বদি অমা-অমা ওইজসনু খুন্নাইদা লৈবাক্কীদা কান্নগদবা ওইরবদি মী অদুবু থবক্তা মায়পুনহন্দুনা মতিং ফুদোক্তুনা তৌহনগদবনি। মদুনা গভর্ণমেন্টকী মীংচৎ পুরক্কনি। অদু তৌহৌদবনা মরম ওইদুনা হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টকী মীংচৎ লৈরল্লিবা অদু লৈরিবরা/লৈত্রবরা? মসিগুম্বা প্রোব্লেম থোকহল্লিবসি কনানা তৌহল্লিবনো? মানগা কোন্ননা (রেদ হেন্দেদ) ফাখ্রবা মীবু মরাল লৈত্রে হায়না কোর্টনা থাদোরকপসি মালেমদা য়ানীংবা মী লৈগদ্রা/লৈরোইদ্রা। মসি খঙনা লৈঙাক্লা তৌবীয়ু। প্রোব্লেম অমা হেক থোক্লকপদা য়ারিবমখৈ থুনা লোইশিনবনা হেন্না ফৈ। (Better remember - a stich in time saves nine. A Spark neglected burns the house). কেস অমা পায়রিবা ওফিসর অমবু থুনা হেক্তা ত্রান্সফর তৌথোকপা হৌনদে। মদুনা তাকপদি গভর্ণমেন্টনা অচুম্বা তৌদে হায়বগী মমি তাই। মদুনা গভর্ণমেন্টতা অকাইবা কয়া লাকই। অচুম্বা পুথোকপা ঙমদে, ৱাই। ফোর্মর চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা পাল্লিঙৈদা এয়রপোর্টতা দ্রগ ময়াম অমা ফাখি। অদুগা মদুদা ফারুরিবা পুলিস ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎ খুদক্তা ত্রান্সফর তৌথোকখি। লোয়ননা স্পেসল ইন্টিলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) সু মুখুৎখি। অসুম্না চৈরাক পীহৌদবদগী মথং মথং দ্রগ লল্লোনবনা ৱাই চাইরে। নুংতিগী দ্রগ পংফাদা ফাই, চৈরাক পীব্রা পীদব্রা খঙদে। অহকপা চৈরাক পীদবনা করিসু নাচুংদে। মসিগুম্বা চুমদবা থবক তৌখিবসিনা মতমদুগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অদু চিন্দা হায়দোকপা ঙমদ্রবসু মীয়াম্না কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট পাম্নরকখিদে।

ইচা-মীচা, শঙ্গ নাইগুমসি। চাক চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকই হায়বদো তাহনগুমসি। মীয়াম্না পাল্লিবদি - দ্রগ লল্লোনবা মীশিংসে কোরোনাভাইরসতগী হেন্না শাথীবনি অদুনা খুন্নাইসিদা লৈহনগুমসি, মপুন্সি চূপ্পা জেলদা থম্বা নৎত্রগা ফাঁসি তৌদুনা হাত্তোকখিবা। দ্রগ ফারেদমক হায়বা অদুগা অহকপা চৈরাক্তি শুংপী পীদবা, অদুনা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। হেনগৎনবা থবকসু গভর্ণমেন্টনা তৌরব্রা হায়বগী চিংনবা ফোঙদোক্লরক্লি। মরমদি অফবা তৌরুবা দ্রগ ফারুরিবা ওফিসরবু তাথী তাওইনা তৌবীবসিনা ওন্ন-তৈনবা, তাথী-তাওইনা তৌদনবা কাবক-কাবক তৌশিন্নবা ওফিসর ঙাক্তা থোরকপা মশানা তাবনি। অসুম্না তৌরবদি লৈবাক কাং-খোঙ চাইবা তাবনি। গভর্ণমেন্টনা হৌজিক মুন্না খন্থবিবা চুমগনি। মীচম মীয়ামগীদমক পুন্সি কৎথোকপীয়ু। প্রাইম মিনিষ্টরনা শেংনা মীয়ামগীদমক পুন্সি কৎথোক্লবা থবক তৌরি। অসুম্না ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরসু লৈবাক্কীদমক্তা অমকপা লৈতনা থবক তৌবীয়ু, অমকপা লৈহনবীগনু।

*অদোমগী - টি ঐচ গৌরমনি, কাঙবম লৈকায়, শগোলবন্দ, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱা লোইরে

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



খুঙ্গংগী প্রাইমারি স্কুল অমনি। য়াম্না মল্লে। লৈকায়গী য়ূমশিংদগী লাপতক তৌই। লম্বী অচৌবদগী খরা হাইজিল্লি।

ইঙা-ইঙেনগী মতমনি। স্কুল অদুগী য়ূমথক্তা অতিয়াদগী নোং জম-জম হৈথরি। স্কুলগী জিঙ্ঘ মথক্তা তারিবা নোংগী শাফু কল্লবা নোংলিক্লা য়ৈবদা নাকোং শেগায়রবা মখোলনা কা অদুদা লৈতানা ফম্বা ঙমদে। চুম্নতা তাবদা পেল্লবা নোংনি অদুবু কদাইদগীনো মফৈ অমরোমদগী নুংশিৎ অমুক য়াওশিল্লক্তুনা অথোম্নে। মনুংদা ফল্লিবা মী অনীদু জিঙ্ঘগী মখোল অদুনা নমহৎখিবনা ৱারী শানবা তানদে। মরক মরক্তা নোংথাং কূপ্পী অমদি নোংখোং অদুনা স্কুল অদু চাকথেক্তুনা তুম্না মাঙহনখিদৌ মাল্লি।

স্কুল অদুগী মনুংদা নুপা অমগা নুপী অমগা তূমিন তূমিন ফম্নরি। নুপা অদু মচা অনী লৈ। মহাক চহী নিফুমঙারোম শুরল্লগনি। নুপী অদুনা মৌ নহা অমনি। মচা চহী অনী শুরবা অমা লৈরে। নুপা অদু মশক মতৌ ফজে। কুচু ঙৌই। লুমাংদা মশম জ্বাই-জ্বাই তাই, মশা য়াম্না নাল্লি। মাগী য়ূমগী নুপী অদুসু মশক য়াম্না ফজে। নুপা অসি চীং লেম্মী। য়াম্না মপূং ফারবা নায়ক অমনি হায়বা য়াই। ও কে ৱা অসি শ্বাইফাওদং থমখিগে।

নোং চুরবা নুমিৎ অদুদা মমায় হঙ্গৎপা ঙমদনা ফল্লিবী মৌ নহা অদু রাশি লৈ। নোকপদা খজাই কুৎলি। মশম তেন্না ককই। চহী ৩০ অদুৱাইগী ময়ানি। মৌ নহা অমা ওইবগী চপ চাবা য়ক লাউনা কুচু কুমেন পাঙ্থোরকপা, ফজখৎলকপা মতাংনি। তীং য়াঙ ৱাৎতে। মমিৎ অনী অদু তরাউ তরাউই। ফজদুনা লৈরবা মীৎস্না অনীগী ফজবা অদু লৈতেং য়াওদ্রবসু য়ারবনি অদুবু খূৎশেমগী আইব্রু পেন্সিল, আই লাইনর অমদি খূৎশেমগী পাগী মতেংনা ফজবদু মথোই কাহল্লি। জ্বাই-জ্বাই তারিবা শল্লাং অদু গম-গম লাউনা হাইদোক-হাইজিন শান্নরিবা, ঙাওগে য়াওনা থওইনা ঙাওশিন্নরিবা মালংবনা শুরু-শুরু নৈদুনা শান্নরিবদু উরগা মালংবা মাবু মখূদাং পায়দুনা খাম্নীংই হায়বমক য়াই। হঙ্গাম মপালগী ফনেক শেৎলি, অঙাঙবা মচুগী ফুরিৎ লীৎলি। তোংলিবা ময়ায় ওইরপ ওইনা খূনীং ৱাংবী খোঙউপ অদুগী মনুংদা ঙৌরোক ঙৌবা খোঙ অনী অদুনা পীক পীক থন্না য়াওরি। মীৎ কূপ্পা য়াদবা মতাংনি হায়বা য়াই। ও কে ৱা অসি মখা অমুক তাররোই।

নুপা অদু স্কুল অসিগী ওজানি। নুপী অসিমসু স্কুল অসিগী ওজা নুপীনি। মবানি মায় মায় ইওন ওনশিন্নদে। মোবাইল অমমম পায়রগা মানা মানা থোকপা নোং হাংবা ঙাইনৈ। মখোয় অনী থোইদোক্লা শাননবা ৱারীসু লৈতে। ওজা নুপী অসি নৌনা ত্রান্সফর তৌরকপনি। নোং লেপ্পা লৈতে। কনশিল্লক্লি।

হেদ মাষ্টর ত্রেনিং থা অমগী চৎখ্রি। স্কুল অসিগী চৌকিদার ফিরোই শোনখ্রে। লোয়ননা স্কুল অসিগী মহৈরোয় খূৎনা পাবদা য়াই হায়বদুনি। নেপালি মচা অনীগা মুসলিম মচা মঙা তরুক্লা মরক মরক্তা লাক্লস্বনি, মশা মশা উখিদবা কুইরে। ও কে ৱাসি শমজিল্লগে।

ঙাইহাক্কী মতুংদা মশক মশা খঙদবা পাখং মচা খরা লাক্লগা ওজা অনী অদু কৈন্যা কৎকনি হায়দুনা লৈ পরেং পুদুনা লাক্লে। লৈ পরেং অদু নোংলক্তুদা কদাইদগীনো খঙদে য়াম্না শাউনা পুদুনা লাক্লগা কৈন্যা কৎকনি হায়দুনা লাউ খোং তৌররে। ওজা নুপা অদুগা ওজা নুপী অদুগনা ঐখোয় লমলানবা কনা নত্তে, স্কুল অসিগী ওজা ঙাক্তনি। নোং চুরক্তুনা হনবা য়াদ্রে, অঙাংসু অমত্তা লাক্তে হায়না খুল্লে। অৱায় অখুম তৌদুনা ফজনা শেংদোক-শেংজিন তৌদুনা চে-চাং পুথোক্লদুনা রেজিষ্টর ফাক্তুনা য়েংনরবা মতুংদা নহাশিং অদুনা শোয়খ্রে ঙাকপীরো হায়রে। নোংসু হাংলে ময়াম লোইনা হন্নখ্রে। মশক খঙদবশিং অদু লৈকায় অদুগী মীওইরা হায়বদু লাপ্পা লাকপা ওজা অনীনা খঙদে। ও কে...।

স্কুল অদু ওজা কাখিদ্রে। ওজা নুপা অদুসু ময়ূমদা উংদুনা লৈরে। মাগী নুপীদসু হায়দোক্ত্রে। হায়দোক্লুরগা চিংনবনা হেল্লনি হায়দনা। ওজা নুপী অদুসু অদুম্মাইনা হায়দোক্ত্রে। তশেংবদি ওজা অনী অদু নোংমত্তা নুংঙোন্নবা ৱারীফাও শাননখিদে। ও কে।

হেদ মাষ্টরনা হায়রকপদগী ওজা নুপাদু স্কুলদা লাকই। ওজা নুপীদি লাক্কি। করিগীনো ওজানা স্কুল কাবিদ্রিবসে। জেদ ঈ ওনা এক্সপ্লেনেসন কোল লাক্লে ওজাগী। ওজা ইথৌদা পুক্লিং চঙবীয়ু। ওজা নুপাদুনা হায়, "ওজা, মশক ফজখ্রবী ওজা মৌ নহা অদুগা ইশক ফজখ্রবা ওজা নহা ঐগা কনা অমত্তসু লৈত্রবা স্কুল অসিদা মাগা ঐগতা নুমিৎ খুদিংগী পিকখ্রবা কা অসিনা ফম্মিরগা লৈকায়না করি খন্দৌরিনো, ওজা অমুক্তা খনবীয়ু, চৌকিদারসু শিখ্রে, ওজা হায়রে ত্রেনিং চৎলি, অঙাং হায়রা অমত্তা লৈতে। সিদবু ওজা মশক ফজবী অদুগা ঐগতা করম হায়না স্কুল কাগদৌরিবনো?

নহাদি নহা খরা লৈ পরেং পুদুনা লাক্লগা কৈন্যা কৎকে তৌরল্লে। ওজানি হায়রফাও কৈন্যা কৎকনি অদুম হায়রে। উচিন নাচিন্না ৱাখল তামিন্নরগা থাদোক্লস্বগী ফবনি। নৎত্রবদি পাউচেদা হাপ্পমদৌ খজিত্তা ঙাই। নোংনগা ৱা-ৱা চুশিল্লক নুমিৎ অদো।"

হেদ মাষ্টর মঙক নোঙ্লগা ৱা মখা তারক্তে। ৱা লোইরে, ও কে। ●

# মিংথোন লানবগী কান্নবা লৌবা - ১

**নবকুমার ওইনা**

মী অমনা ৱা ঙাঙবগী কামথোকপদা পংবসু-শিংবসু অদুম য়াওখি হায়নবা লৈ। হৌজিক্তি মমিং তাবদা'দুম পংবা-শিংবা খঙনরক্লি। ৱাহন্থোক খঙদনা লাইরিক হৈবা শারগা কৌরুরিবা মিংশিংসি ইশাদা হাক্কচবা অমা ফাওরক্লে। মীয়াম অমগী ৱাখলগী থাক অমসু কৌনরিবা মিং, মিংলেনশিং অসিনা তাক্লি। লাইগী মিং ফাওবা কৌনরি। করি খনবদগী কৌনখ্রিবনো খন্থদুনা য়েংবা য়ারি। অশোয়বা চুমথোকপবু পেসিপ ওইনা উনবসু লৈ। মমিংনা পেসিপ ওইনা উবসু লৈ।

মীগী মিংদা জপান কৌবা তাখ্রে, দেল্লি, চেন্নাই কৌবদি তাদ্রি। মোমোকো কৌরিবসি মোরোকোদগী কৌরিব্রা খঙবা নত্তে, মাল্লকপদুনি। কৃষ্ণ কৌবা, রাম কৌবা, বলরাম কৌবা, চৈতন্য কৌবা, গোপাল কৌবা, হরিদাশ কৌবা, বীরা কৌবা, বিবিশন কৌবা, বিশ্বনাথ কৌবা, বিসেশোর, লোকেশোর, রামদেব, কামদেব, রানি কৌবা, শান্তি কৌবা-কৌবী ময়াম লৈবা মফমদদি করিগী লাই নীংনরুদৌরিবনো, অদুমক ঈংনা-চিক্না লৈরদৌবা নত্তব্রা? লাই য়াল্লগা ঈংগনিদি থাজবা য়াদ্রে। তুং ইল্লিবশিংসি লাইগা শম্নবা মাল্লক্ত্রে। মহাদেব কৌবা অমা নারকপদা মাইবদুনা চবান থাবা য়াদে হায়বা তাখ্রে। জোন, যোশেপ, হেনরি, মাইকেল, কিংসন, জেমস, কেনেদি, লন্দন, রোমিও, নেলসন, হিলারি, ৱাশিংটন ময়ামসি লৈকায় অমদা পূন্না লৈরদি ফোরেন্দা চৎত্রবসু য়ারক্কদৌরিব্রা? ঐখোয় অহুম-মরি লৈমিন্নববু লোল অসিদা মিং থোনবা অমত্তা হেক য়াওরমদেদা। কিশন, মোনিকা, জমুনা, নবকুমার - ইমুংসিনা তৌরিবসিবু! লমদমসিদি করি কৌরি 'মণিপুর' য়াইদা খল্লকই। মমালোল চাওখৎনবা তৌরিবা, মরৈবাক নীংবা ময়াম লৈরিবা লমদমনি হায়বা চপ চাই খল্লি। ইশাসি পোকচবা ইমুংদু ইপুবোক্লা তোলেন, ইবোক্লা মায়পাক, ইপানা থোইবা, ইমানা থম্বালস্না, ইশাশু ইবোচৌবা কৌজরম্বনি। হেক ওন্থোক্লুবসি ইতোমতা ইকায়জরকই। ইমালোল মুখুৎপদা য়াওজরিবনি খল্লকই। লোল অসিগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা চন্নবা চেন্নখিবা ময়ামদুবু মমালোন্দা মিং থোনবা কয়া য়ামখিবনো খঙনীংলকই। চাম্মদা নিপানখক্তগী লৈমায়দা চোংলগা ষ্টেট অসিগীনি হায়খ্রিবনি। লোল অসিবুদি ইন্টরনেসনল ওইরবনি। লোল অসিগী মমিংনা লোল অসিদা থোঞ্জদবগী ৱাতনি। অদুনবু সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ময়াম ফংনরিবনি। লোল অমা থৈরগা পুখিবগুম্বনি। মদুগীদমক লান্মী ময়াম অমা শেমগৎনরিবনি। মৈতৈলোল লোনবা ময়ামসু য়াওশিল্লিবনি। মসিমসু মিংথোনগী কান্নবা অমনি। মীনা য়ানবা মিং হোংনরিবনি।

স্কুল তল্লিঙৈদনি, মণিপুরী ওজা নিপামচানা মিংগী ৱাহন্থোক হংলম্মী। 'নব' হায়বসি মাপল হায়বনি হায়না খুম্বনি মা, মী মাপলগী থৌনা লৈনবনি খল্লুরিবনি। অদুগাদি অনৌবা হায়বনি তাকপীরকখি। ইমান্নবা বিবিশোন কৌবা অমদি শ্রী লংকাদগীরা ফাগি তৌনখি। নুমিৎ অদুদগী মিংগী মরমদা খনবা হৌহনখি। খন্থ-খন্থরগা অসুম ইকায়বা ফাওরকখি, ইকায়বা নংনবা করিগী কৌজরুরিবা মিংনো খল্লকখি, শিরবা ফাওবা ইকায়বা নংগদৌরি। চেবাউদা ইহৌগদৌবা অদুফাওবগী ইকায়বা ফাওরি।

লমদমসিদা লাক্লস্বা ইংলিস মচাশিংনা মচা-মশুদা তোম্বা, চাউবা কৌবীবা অমত্তা য়াওরমদৌবা মান্দে। ইংলেন্দ, গ্রিনলেন্দ, ফিনলেন্দ, নাগালেন্দ, দ্যুলালেন্দ কৌনরক্লিবসি ৱাখলগী থাক অমা য়াওরি। বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর, চান্দপুর, সেটুপুর, ব্রহ্মপুর, তেজপুর কৌগে তৌরম্বসু ময়ামসিনা পুৱারী অমসু লিরি। মিংশিং অসি থোনবদা য়াওরিবা মীয়ামদু মপান্দগী লাকপা য়াওব্রা। মপান্দা লাইরিক তম্লুবা য়াওব্রা নৎত্রগা মপান্দা লম কোয়বা চৎলুবশিংলা অমদি ওইগনি। মপান লমগী লাইরিক পাবা মী ওইরম্বসু য়াই। য়ূমথংনরিবা চাইনাগী, ম্যান্মারগীদি করিগী পাদ্রিবনো? মদুসু অঙকপা অমনি। পুয়া ফাওবা ইপা পানদ্রিবদা, রসিয়াগীদি অমা অনী পাখ্রে। পারু-পারুবা লাইরিকশিংদা য়াওবা মিংশিংদু কৌনীংলকপা ওইবসু য়াই। 'সনাতোম্বা মৈতৈ' কৌবা য়াওরবদি করি লাইরিক পাবদগী কৌবা ওইগদৌরি? লাইরিক পাদবগীসু ওইবা য়ারি। মশাগী ফুরুপকী মিং নপ্পসি অতৈ লৈবাক্তা তৌনদে। 'এম এন খুমন, কে কে মোইরাংচা' কৌরবদি লৈবাক মমিং য়াওদে, সলাই পল্লিবনি হায়রিবনি। লাইরিক হৈবা মান্নবা, লৌশিং লৈবা মান্নবা নৎত্রগা মীরোল অমা তৌবা মান্নবা কৌনরিব্রা খঙবা ঙমশিল্লক্তে। মীতৌ তম্বনি হায়বসিমদি অদুম খঙনরবা ৱানি। য়াম্না কুপশিন্না ককচেংনা খুনিং কায়বা উবা হায়বদুনিদা।

মিংলেন ময়ামসিনা তাক্লিবসি খুন্নাই অমা ওইনা ঙসি ফাওবা পার্মিনেন্ট সেট্লমেন্ট অমদা লৈত্রি হায়বদু উৎলি। চীংথক-চীংখোং ইমান মান্নরি। হিন্দি, ইংলিস নত্তবা লোন কয়াগী মিং থোন্নরক্লি। ঈ য়ানশিনখিবগী ৱারী অমা মখা তানা লিদুনা লৈবগুম তৌরক্লি। মিৎকুপ খুদিং মদুতা অসুম নীংশিংনদুনা লৈরবদি করম্না লিংজেল মান্নগদৌরি। অরাপ্পা লমদা লাইরিক তম্লুনবগী মঙলান্দা লমদমদুগী মিং কৌবা হৌবা হায়বসিদা মীরৈবাক নীংবগী চাংদু ওল্লগা য়াওরবগুম্বনি। মশাগী মরমদম খঙবা-খঙদবা অদুম উৎচরবনি। লাইরিক হৈবগী নত্তে, মীরোল-মীরোলদুগী ৱানি। দেবদাশ, পারু, চন্দ্রমুখি, গান্ধী, মুনি,ঋষি, ভীম, অর্জুন, নোকুল, সুভাস চক্রবর্ত্তি, নেহরু, ইন্দিরা, রজিব ময়ামসি কৌবা মতমদা মীনা হাৎখিবনি, লমশি শিখিবনি হায়বনচিংবা অমত্তা নীংশিংনরমদৌবা মাল্লক্তে। লন্দি কৌবসু য়াওনৈ, দ্রৌবতি কৌবসু য়াওনৈ, সিতা কৌরগা মীনা ফারবদি হায়না খল্লুবা মান্দে। জুলিয়েট কৌরগা লমহাংদা শিরবদি কমদৌবা। য়াম্না নুংঙাইরিবদি মিং ওইনা থোল্লিবা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক লোইনমক খঙনবা নত্তে, ফজৈ ককা হায়রগা ইমুং-মনুং, মমা-মপানা কৌশিনবীবনি। মচা-মশুশিংবু লান্না লমজিংবীবা চিংই। মিং ফাওবা ফজৈ হায়রগা অয়াম্বনা ৱাহন্থোক খঙনদবা য়াওরিবসিনা লাইরিক হৈবগী ৱারী ওইনরিবনি।

মিংদা মৈতৈ নপ্পসি মরমদম নুংশিবগী নত্তে, মশাগী ফুরুপ্তু শাগৈ মাল্লকই, পিকশিল্লকই। মীনা তৌনদবদু তৌরিবনিনা মীরোলদু করিনো খলহল্লি। ইশানা কৌজবা অমা, মৈতৈ নত্তবা মানবা খরনা কৌবা অমগা অনী শুরি। 'মৈতৈ চৎপা' হায়বসু হায়নরি। করি হায়রিবনো খঙবা ঙমশিল্লক্তরে। মশানা মৈতৈ কৌবসিবু কয়ামুক য়াম্না শেংলবনো খল্লকই, মঙাং মচারা, লুৱাং মচারা। মোইরাংনা, খুমন্না মৈতৈ কৌনীংদবসু লৈরি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ অশি-হৈবোং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

অশি-হৈবোং হায়রিবা পাম্বী অসি মণিপুরদদি থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানীংঙাই ওইবা পাম্বীশিংগী মনুংদা অমনি। অশি-হৈবোং পাম্বী অসি ইংলিসতা হিয়ারি ফিগ (Hairy fig) নৎত্রগা দেভিল ফিগ (Devil fig) নৎত্রগা রফ লিভ ফিগ (Rough leave fig), হিন্দিদা দাদুরি (Daduri) নৎত্রগা গোক্লা (Gokla) নৎত্রগা কাকসা (Kaksha) নৎত্রগা কালা উম্বর (Kala umber) নৎত্রগা ফালগু (Falgu), মরাথিদা বোকেরা (Bokera) নৎত্রগা কারাবতি (Karabati), বেঙ্গোলিদা কাকোদুমুর (Kakodumur), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফিকস হিসপিদা (Fucus hispida L.f.)* নৎত্রগা *ফিকস ওপোজিটিফোলিয়া (Ficus Oppositifolia)* নৎত্রগা *ফিকস কোম্প্রেসা (Ficul compressa)* নৎত্রগা *কোভেলিয়া হিসপিদা (Covellia hispida)* হায়না কৌই অমসুং *মোরেসী (Moraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি হৈবোং পাম্বী (Ficus glomerata Roxb.), খোংনাং-তরু (Ficus benghalensis L.) খোংনাং-বোট (Ficus benjamina L.), থৈবোং পাম্বী (Artocarpus heterophyllus Lamk.), হরিকোকথোং (Artocarpus lakoocha Roxb.) অসিনচিংবনি।

অশি-হৈবোং পাম্বী অসি এসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি চাইনাগী গ্বাংদোং, গুইজৌ, য়ুনান, হায়নানচিংবা মফমশিংদসু মরাং কায়না হৌই হায়বগী পাউদম লৈ। ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা হিমালয়গী লমদমশিং, ভুটান, নেপাল, শ্রীলঙ্কা, লাউজ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনামগী মফমশিংদা অশি-হৈবোং পাম্বী অসি অদুমক ফজনা হৌই। ইন্দিয়াগী অন্দমান নিকোবর ঈথৎশিংদসু অশি-হৈবোং পাম্বী অসি ফজনা হৌবগী পাউদম লৈ। অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা অশি-হৈবোং পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ।

অশি-হৈবোং পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং *ফিকস হিসপিদা* হায়বসি লেটিনগী ৱাহৈ ফিক (Fik) হায়বদি হৈবোং পাম্বী অদুগা হীস (Hiss) নৎত্রগা হিসপিদ (Hispid) হায়বসিনা শমগুম্না মতু পানবা হায়বসিদগী থোনখিবনি। তশেংনমক অশি-হৈবোং পাম্বীগী মশা পুম্নমক ঙৌরুনবা মচুগী শমগুম্না মতু য়াম্না কূংনা পাল্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা পাম্বী অসি অশি-লৈবাক্তা হৌই হায়না থাজনবদগীনি হায়না কনাগুম্বশিংনা মোত পীরি। অদুগা অতোপ্পা কনাগুম্বা খরগী মোত মতুংইন্নদি পাম্বী অসি য়াম্না তোয়না চারবদি চারিবা মী অদু শিবা য়াই হায়না লৌনবদগী অশি হৈবোং কৌনবা ওইরম্বসু য়াই হায়বসিনি। বিজ্ঞানগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবদসু পাম্বী অসিগী মহৈ অদু মতু য়াম্না পানবা মরম্না মদু চাশিনখিবা মতমদা চাকখাওদা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াবগী ওইথোকপশিংদি অদুমক লৈ। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অঙাংশিংনা অশি-হৈবোংগী মহৈ অসি চাবদা তঞ্জায় অমদি হুন্দোক্লে। নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা অশি-হৈবোং অসি চাং হেন্না চাবা ফত্তে হায়বগী ওইরম্বসু য়াই। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা অশি-হৈবোং মহৈ অসি চাবদা মীওইবদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়বগী বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমত্তা ফংদে।

অশি-হৈবোং পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। য়াম্না অঙনবা মতমগী চরক (Charak) কী লায়েংদা অশি-হৈবোং পাম্বী অসি খোঙ হাম্বা য়াদবগী লায়না অসি লায়েংনরম্বগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসিগী মহৈ অদুদা য়াওরিবা অকূপ্পা মতু অদুনা খোঙ হামদোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরমগনি। অতোপ্পা অমদনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী বঙ্কুরাদা লৈবা মীওইশিংনা অশি-হৈবোং পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শায়দুনা নৎত্রগা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অসি লায়েংনৈ। অশি-হৈবোংগী মহৈ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা খোইহি খরা নৈখায়রগা চাং নাইনা নোংমদা চামচ অনীগী চাংদাদা পীথকপদা নুপা-নুপীগী ফম্বী অদু মপূং ফানা ফগৎহনবা ঙম্মী হায়দুনা ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী মফম খরদদি অশি-হৈবোং পাম্বীগী মমুন ফারবা মহৈ অদু চাং নাইনা পীজদুনা এনিমিয়া হায়বদি ঈ ৱাৎপগী লায়না, নুংশং থুংবা, জোন্দিস, চাকখাও চাথৎপা, ভর্টিগো হায়বদি কোক ঙাওবা অসিনচিংবশিং লায়েংনৈ। অশি-হৈবোং মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং অসিসু লায়েংনৈ। অশি-হৈবোংগী মহৈ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু খোইহি খরা নৈখায়রগা পীথকপদা চাজেনবী মমাশিং অদুগী খোল্লাং অদু চাং নাইনা থোকহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। থিজিনবা পাউদম অমগী মতুংইন্না অশি-হৈবোং পাম্বীগী মনা অসি মীওইবগী থম্মোয়গী লায়নাশিংদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। অশি-হৈবোং পাম্বীগী মনা অসি অহলশিংদা য়াম্না তোয়না নাগনবা অলজৈমর দিজিজ হায়রিবা কাউজন থিবগী লায়না অসি লায়েংবদা য়াম্না ফবা ফল পীবা ঙমগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা পাউদমলি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না অশি-হৈবোং পাম্বীগী উদগী থোকপা মখোম অসি লায়চাক (Leucoderma) অমসুং কুস্তী (Leprosy) থুংবা অসিদা চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না কান্নৈ। ঈ ৱাৎতুনা মশা শোনবা অমদি চাওদম থিবদসু অশি-হৈবোংগী অমুনবা মহৈ অদু পীজদুনা লায়েংনৈ। নুপীশিংনা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবদা অশি-হৈবোং উগী মকু অদু পোপ্লি-পোপ্লি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তিংদুনা লৌবা মহী অদুদা খোইহি খরা নৈখায়রগা পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি অশি-হৈবোং পাম্বীগী মনা অদু হৱাইজার শেম্বদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইনা শীজিন্নরি। মেঘালয়গী মীওইশিংনা অশি-হৈবোংগী নৌতক তৌবা মহৈ অদু এঞ্জাং থোংদুনা চানৈ। অশি-হৈবোং পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শা-ষণ অমসুং শামুগী শজিক ওইনা পীজনৈ। অশি-হৈবোংগী মহৈ অসি অচার (Pickle) শেম্বসু য়াই। করিগুম্বা কান্দা জাম (Jam) ওইনা শেমদুনসু চানৈ। অদুবু য়াম্না চেকশিনবীগদবা অমনা অশি-হৈবোংগী মতু অসি মীওই খরদা শোক্লুবদা মথা-মথা পোমখৎহনবা অদুগা উদগী থোকপা মখোম অদু মীত্তা চঙখ্রবদি অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াই। ●